# নেশনল হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপঃ মণিপুরনা কর্নটকা অমসুং দেল্লি থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস):** গ্বালিয়রদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ৯ লক শুবা নেশনল হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর মেন এন্দ ৱিমেনদা মণিপুরগী নুপী টিমনা থংন-থংননা মেটচ অনী মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



মণিপুর অমসুং কর্নটকীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা কর্নটকানা স্কোর ৪-২দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা কর্নটকানা স্কোর ১০-৭তা মাঙজিল থারগা অদুম্মক লৈবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা স্কোর ১৩-১৩দা মান্ননা লৈবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি।

মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কর্নটকানা মখা তানা স্কোর ৪ ফংবা ঙমখি অদুগা মণিপুর টিমনা স্কোর ৫ ফংবা ঙমখিবদা লোয়ননা মেটচ অদু মণিপুরনা স্কোর ১৮-১৭তা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙরাং দেল্লি অমসুং মণিপুরগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা ক্বার্টর খক্তদা মণিপুরনা স্কোর ১৯-১দা মাঙজিল থাদুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা স্কোর ২৫-৪দা চাওনা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টরদা দেল্লিনা স্কোর ৭ অদুগা মণিপুরনা স্কোর ৮ ফংবা ঙমখি। অদুগা মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা দেল্লিনা স্কোর ৪ অদুগা মণিপুরনা স্কোর ৫ ফংবা ঙমখিবদা লোয়ননা মেটচ অদু মণিপুরনা স্কোর ৩৮-১৫দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি।

ঙরাং অমসুং ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীমক্তা মণিপুর মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মণিপুরগী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি চাকপ্রম লোকেশ্বরী, ইরেংবম ইন্দু চনু, মাইমোম গুনিবলা, নহাকপম রত্না, থোংবম সঙ্গিতা, মাংতে জমফাহাৎ কোম, লাইশ্রম লিন্দা অমসুং অঞ্জিরা লাস্করনি।

মণিপুরগী টিমনা ঙরাং অমসুং ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নগদৌরিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাওনা মায় পাক্নবা পান্দম থল্লি। অমদি মণিপুরগী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংনসু মেটচ অসি শোয়দনা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

# দি সী চান্দেল ট্রোফিঃ এ ৱাই সী সীনা তোঙ্গেন এফ সী থোইখ্রে, দামজোল ৱাই সী অমসুং চান্দেল খৃষ্টান ৱাই সী দ্রো চংখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীল্লগা মমাঙ থাগী ৩০দগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স চান্দেল খৃষ্টানদা চথরিবা দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা এ ৱাই সী সীনা তোঙ্গেন এফ সী মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা দামজোল ৱাই সী অমসুং চান্দেল খৃষ্টান ৱাই সী অদুগা চকপিকারোং ৱাই সী অমসুং জফৌ ৱাই সী মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।



ঙসিগী অহানবা লিগ মেটচ ওইনা অয়ুক পুং ৮ তাবদগী এ ৱাই সী সী অমসুং তোঙ্গেন এফ সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এ ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। এ ৱাই সী সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১৫ শুবা মিনটতা তোঙ্গেন এফ সীগী ষ্টেফেন কোমনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু ৩৩ শুবা মিনটতা এ ৱাই সী সীগী দি রেংহোংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ৩৬ শুবা মিনটতা দি রেংহোংনা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-১দা তোঙ্গেন এফ সীদগী মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা ৪২ অমসুং ৮৪ শুবা মিনটতা এ ৱাই সী সীগী কে ঐচ জোর্স অমসুং দি অংথোংনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। তোঙ্গেন এফ সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এ ৱাই সী সীনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌরগা দামজোল ৱাই সী অমসুং চান্দেল খৃষ্টান ৱাই সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। দামজোল ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা রেংরিংষ্টোননা অদুগা চান্দেল খৃষ্টান ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা কোলনিনা চনখিবনি। ঙসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা চকপিকারোং ৱাই সী অমসুং জাফৌ ৱাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ৫-৫ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

# তা খৌশাবগী মতাংদা নুমিৎ ১০নি চথরকপা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস):** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুইয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশননা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চথরকখিবা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা তা খৌশাবগী ৱার্কশোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

নম্বোল ককয়াইদা লৈবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুইয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশনগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ লোইশিবগী থৌরম অদুদা লুৱাং থাঙ-তা একাদেমী খুরাই কোংপাল সজোর লৈকায়গী সেক্রেটরি নোংথোম্বম নোরেন মীতৈ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুইয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট থিয়াম শান্তিকুমার লুৱাংচা অমদি কংলৈপাক থাঙ-তা একাদেমী লাইরিকয়েংবম অৱাং লৈকায়গী সেক্রেটরি হুইদ্রোম সুরজিৎ মৈতৈ অমসুং ইশোক চীং মমাঙ লৈকায়দগী সোসল ৱার্কর বিজয়না মথংশিংনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা থাঙ-তাগী লুপ ৭তগী থাঙ-তা শান্নরোয়শিং অমদি থাঙ-তা শিন্তাকপা য়াওনা পুন্না মীওই ৯৯না শরুক য়াখি। লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা নোংথোম্বম নোরেননা হায়, থাঙ-তাগী শরুক অমা ওইরিবা তা খৌশাবা কৌবা মহয় কাঙলোন অসিদা তা হায়বা খুৎলায় অসি হৈশিংনা শীজিন্নবা হৈনবা অমদি খোঙ য়েৎ ওই অনীমক খুৎকুম্না হৈশিংনবা শান্নবা অদুগুম্বা কাঙলোন অমনি। শম্না হায়রবদা কাঙলোন অসিনা খোঙ অনীমক য়েক্লবদা করম্না কাওগদগে অমদি হকচাংগী অরুম্বা মতৌ করম্না বেলেন্স তৌগদগে হায়বদু তাকপনি। মসি হৌগৎলক্লিবা ঐখোয়গী মীরোলশিংনা য়োকখৎপা মথৌ তাই হায়খি।

# দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস থৌবালগী লোগো লোঞ্চ তৌখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সীসু ওইরিবী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পক এসোসিএশনগী ওর্গনাইজিং চ্যেরমেন হানা কামৈনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস থৌবালগী ইমব্লেম/লোগো লোঞ্চ তৌখ্রে।

লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশন থৌবালগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি মোইরাংথেম মোধুসুদোন, দি ৱাই এ এস ও থৌবাল কম দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস থৌবালগী জি টি সী সী চ্যেরমেন দেবেন মোইরাংথেম অমদি ব্রান্দেদ কন্সলটেন্ট জিবন খুন্দ্রাকপমসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস অসি থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।

# বৃগেদিয়র গ্যানসিংহ নেশনল এদভেঞ্চর এৱার্দ খুৎশীন্নদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস):** ইন্দিয়াগী এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা নেশনল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসন (এন এ এফ) ন্যু দেল্লিনা মণিপুরগী শক্লাইরবা এদভেঞ্চরর অমদি মাউন্টেনিয়র ডা. কঙাবম রোমিও মৈতৈদা লেমজ নিংঙাই ওইরগা বৃগেদিয়র গ্যান সিংহ নেশনল এদভেঞ্চর এৱার্দ খুৎশীন্নদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখ্রে।




নেশনল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসন মণিপুর চেপ্টরগী দিরেক্টর ডা. কঙাবম রোমিওদা এৱার্দ অদু নেশনল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লেফটিনেন্ট জেনরেল রমনধৱননা মমাঙ থাগী ৩১দা ন্যু দেল্লিদা লৈবা ৱাই এম সী এদা খুৎশীন্নরকখিবনি। এদভেঞ্চরিং অমদি মাউন্টেনিয়রিং অনীগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা মহাক্লা লৌরকখিবা থৌদাং কয়া অদুবু শকখঙবা ওইনা ট্রোফি, সাইটেসন অমদি শেলগী মনা য়াওবা এৱার্দ অদু খুৎশীন্নরখিবনি।

ডা. কঙাবম রোমিওনা নেশনলগী থাক্তা পীরিবা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ ফংলকপা অসি ষ্টেট অসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা কথোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী এদভেঞ্চর স্পোর্টস, মাউন্টিনিয়রিং অমদি স্পোর্টস ক্লাইম্বিংগী লমদা চহী ৪০ রোম হেন্না থবক তৌদুনা লাক্লি।

ডা. রোমিও হৌজিক হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা ফেকলটি মেম্বর অমদি নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরগীসু ফেকলটি মেম্বর ওইনা লৈরি হায়না নেশনল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসন মণিপুর চেপ্টরগী সেক্রেটরি ময়েংবম সনাতোম্বনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ুকি অমসুং ভেনসকী পুংবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী):** ন্যু য়োর্কতা হৌজিক চথরিবা য়ু এস ওপন ২০২৫গী মেন্স দবলসকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং মহাক্কী পুংবা ওইরিবা ন্যুজিলেন্দগী মাইকেল ভেনস মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং মাইকেল ভেনসকী পুংবানা কলম্বিয়াগী গোঞ্জালো স্কোবার অমসুং মেক্সিকোগী মিগুল এঞ্জেল রেজ ভরেলাগী পুংবাবু ষ্ট্রেট সেট ৬-১, ৭-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা রাউন্দ ওফ ১৬ চঙবা ঙমখিবনি।

মালেমগী ওইনা ৩২ শুবা মফমদা অদুগা ইন্দিয়াগীনা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা মেন্স দবলসকী শান্নরোয় ভাম্ব্রি অমদি ভেনসনা মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীনবা হোৎনখিবদা পুং ১.৩০ রোম চঙখি। মেটচ অদু মায় পাল্লবা মতুং ভাম্ব্রিনা ফোঙদোকখিবদা ষ্ট্রেট সেটতা মায়োক্লরিবা টিমবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অদুমক য়াম্না নুংঙাই। শান্নখিবা মেটচ অদুদা মখোয়গীম মায়োক্লরিবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখল মখা কয়াগী টেক্নিকশিং শীজিন্নরকখি। অদুবু মহাক অমসুং মহাক্কী পুংবা ভেনসনা হৈশিংনা মায়োক্লরিবা লম্বাগী সার্বিসশিং মাঙহনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাক্লবগী লম্বীদা চঙশিনবা ঙমখিবনি। হৌজিক প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙলবনিনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা মহাক্কী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নবা ঙমহৌখিদে। মদুগীদমক্তদি মহাক্কী পুক্লিংদা নুংঙাইতবা পোকই হায়খি।


# ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এম পিগী ফুটবোল্লরশিং ব্রাজিলদা থাগদৌরি

**চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী):** মধ্য প্রদেশতা স্পোর্টস চাওখৎলকপগী খুদম অমা ওইনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ট্রাইবেলশিংনা নম্না খুন্দাবা সাহদোল দিষ্ট্রিক্টতগী খনগৎলবা ফুটবোল্লরশিং ব্রাজিলদা থাদুনা ট্রেনিং পীনবগীদমক ফীরেপ লৌখ্রে।

অহানবা বেটচকী ফুটবোল্লরশিং অথুবা মতমদা ট্রেনিং পীনবা ব্রাজিলদা থারগনি হায়না মধ্য প্রদেশকী অর্বান এফেয়র্স মিনিষ্টর কৈলাস বিজ্যভরগিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাউমীশিংদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা সেন্টর অমসুং ব্রাজিলিয়ন ফুটবোল ক্লবকী মরক্তা এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবা লোইরবা মতুং অহানবা বেটচকী ফুটবোল্লশিং থারগনি। চীফ মিনিষ্টর মোহন যাদবনা লুচিংবা কেবিনেটকী মীফমনা ফুটবোল্লরশিং অদু থানবা ফীরেপ অসি লৌখিবনি। লৈঙাক্কী ফীরেপ অসিনা ষ্টেট অসিগী হৌগৎলক্লিবা ফুটবোল্লরশিংদা অচৌবা খুদোংচাবশিং ফংহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1581**

**IM Arystanbek Urazayev (2458) - FM Samuel Malka (2265)**
**Titled Tue 8th Nov Late chess.com INT (1), 2022.11.08**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 e5 | 4.O-O Bd6 | 5.d4 cxd4 |
| 6.c3 a6 | 7.Bc4 Nf6 | 8.cxd4 Nxd4 | 9.Nxd4 exd4 | 10.e5 Bxe5 |
| 11.Re1 O-O | 12.Rxe5 Qc7 | 13.Qxd4 d5 | 14.Na3 dxc4 | 15.Bg5 Ng4 |
| 16.Bf4 Nxe5 | 17.Bxe5 Qd7 | 18.Bxg7 Qxd4 | 19.Bxd4 b5 | 20.Nc2 Be6 |
| 21.a4 Rfd8 | 22.Bc3 bxa4 | 23.h3 Bd7 | 24.Ne3 Bb5 | 25.Ng4 Kf8 |
| 26.Re1 Re8 | 27.Bb4+ Kg7 | 28.Bc3+ Kf8 | 29.Rc1 Rad8 | 30.Bb4+ Kg7 |
| 31.Bc3+ Kf8 | 32.Nf6 Re2 | 33.Nxh7+ Kg8 | 34.Nf6+ Kf8 | 35.h4 Kg7 |
| 36.Kf1 Re6 | 37.g4 Rxf6 | 38.g5 Kg6 | 39.gxf6 Rh8 | 40.Ke2 Rxh4 |
| 41.Rg1+ Kf5 | 42.Rg7 Re4+ | 43.Kd2 Ke6 | 44.Rg8 Rf4 | 45.Ke3 Rf5 |
| 46.Rb8 Rd5 | 47.Bd4 Kf5 | 48.Rb7... | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1580 Solution :**

**36. ...Qf3+** *The black queen attacks White's king, which is defending White's pawn and White's pawn.* **37.Kg1**
*37.Kh2 Ne3 38.fxe3 Ra2+ 39.Kg1 Qg2#*
**37. ...Ne3** *The black knight deflects White's pawn away from protecting the pawn. Opening the line from a2 to h2. Opening the line from a2 to g2. Opening the line from a2 to h2.* **38.fxe3**
*38.Qxe3 Rxe3*
*38.Nf4 exf4 39.fxe3 Qxg3+*
*38.Qxa3 Qg2#*
**38. ...Qxg3+ 39.Kh1 Ra2** *Mating net* **40.Nxg7**
*40.Rf8+ Bxf8 41.Nxf8 Rh2#*
*40.Qc2 Rxc2*
*40.Rf2 Rxf2 41.Nxg7 Rh2#*
*40.Rf7 Rh2#*
**40. ...Rh2#** *Lawnmower mate*
*40...Qg2#Damiano's rook mate*
*40...Qh2#Damiano's rook mate*
**0-1**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com